AIR,RNU-IMPHAL
MANIPURI EVENING NEWS AT 7.30 PM
(DATED 17-05-2012, THURSDAY)

১)	পি.ঐচ.ঈ মন্ত্রি শ্রী ইরেংবম হেমোচন্দ্রনা হায়রি- ইম্ফাল সিৱরেজ প্রোজেক্টকী অহানবা ফেজ মথং চহীগী মার্চ ফাওবগী মনুংদা মপুংফানা লোয়শিল্লগনি।

২)	মনিপুরগী স্কুল ওঝাশিংগী ট্রান্সফর পোলিসি অমা শেমবা সরকারনা হোৎনরি হায়না সিক্ষা মন্ত্রি শ্রী এম. ওকেন্দ্রোনা হায়খ্রে।

৩)	৪৪ শুবা ৱার্ল্ড টেলিকম্যুনিকেসন এন্দ ইনফোর্মেসন সোসাইতি দে- ঙসি মালেমগী মফম শিনবা থুংনা পাংথোক্লি।

৪)	সেদ্যুল কাষ্ট অমসুং সেদ্যুল ট্রাইব প্রিভেন্সন ওফ এট্রোসিতিজ এক্ট শেমদোকবগী থবক হৌজিক কেন্দ্রনা পায়খৎলি।

৫)	আফগানিস্তানদা লৈবা গভর্নরসকী ওফিস কম্পাউন্দ অমদা মশা শিজরগা চথখিবা বোম পোকখায়বগী থৌদোক মরিদা য়ামদ্রবদা মীওই ৭ শিরে।

<><><>

**ভিজিট (এল) ঃ** রাজ্যগী পব্লিক হেলথ ইঞ্জিনিয়ারিং (পি.ঐচ.ঈ) মন্ত্রি শ্রী ইরেংবম হেমোচন্দ্রনা হায়রি- ইম্ফাল সিৱরেজ প্রোজেক্টকী অহানবা ফেজ মথং চহীগী মার্চ ফাওবগী মনুংদা মপুংফানা লোয়শিল্লগনি, অমদি চহী অমগী মনুংদা ইম্ফাল সহরদা থকবা অফবা ঈশিংগী অৱাৎপা লৈহন্দনবা হোৎনগনি।

মহাক্কী বিভাগকী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিংগা লোয়ননা ইম্ফালগী লমফেলপাৎতা শাগৎলীবা সিৱরেজ ট্রিটমেন্ট প্লান্টগী ফিভম হকথেংননা য়েংশিল্লবা মতুংদা মন্ত্রিনা হায়- প্লান্ট অসিগী অহানবা ফেজ মথং চহীগী মার্চ ফাওবগী মনুংদা মপুংফানা লোয়শিন্দুনা মথৌ তৌবা হৌরগনি। অহানবা তাঙ্কক অসিনা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল এরিয়াগী মনুংদা লৈরিবা মীয়ামদা হকথেংননা কান্নবা ফংহল্লগনি।

তুংদা মন্ত্রিনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী পোরোম্পাৎতা পায়খৎলীবা পোরোম্পাৎ ৱাটর সপ্লাহ স্কিমগী অহানবা ফেজ অমসুং সদর হিলসকী মনুং চন্না লৈবা সিঙডা ডাম, সিঙডা ৱাটর ট্রিটমেন্ট প্লান্ট অমসুং কাংচুপ ৱাটর সপ্লাই স্কিমগী ফিভমশিং হকথেংননা য়েংশিনখি। মদুদা সিঙডা ৱাটর ট্রিটমেন্ট প্লান্টকী ঈশিং ফংফম ওইরিবা সিঙডা ডামগী অকোয়বগী ফিভম ফৎলমদবা উবদা মন্ত্রিনা পেন্দবা ফোংদোকখি।

মন্ত্রিনা হায়- ৱাটর সপ্লাই স্কিমশিং অসিগী ঈশিং লাকফম ওইরিবা তুরেল মরুশিংগী অকোয়বগী ফিভম নিংথিনা ঙাকশেনদুনা থম্বা য়ামমক তঙাইফদে। মহাকা হায়- মহাক্কী বিভাগকী মথৌদি মীয়ামদা অফবা থকবা ঈশিং ফংহনবা খক্তনি, মসিদা চংবা ঈশিং পীবগী থবক্তী ইরিগেসন এন্দ ফ্লদ কন্ট্রোল বিভাগকী মথৌনি। মরম

অদুনা মীয়ামদা থকবা অফবা ঈশিং নিংথিনা ফংহন্নবগীদমক বিভাগ অনিমকা পুন্না হোৎনমীন্নবা চংই । মসিগী মথক্তা মেছিনশিং চলাইবদসু মৈগী দরকার য়মমক লৈবনা পৱার বিভাগকী থৌদাংসু চাওই হায়না মন্ত্রিনা মখা তাখি।

শ্রী হেমোচন্দ্রনা হায়- পুমমক অসি ওইদুনসু মহাক অমসুং মহাক্কী বিভাগনা হোৎনবা য়াবা পুমমক হোৎনদুনা থেংলবদা চহী অমগী মনুংদদি ইম্ফাল সহরদা থকবা অফবা ঈশিংগী অৱাৎপা লৈহন্দনবা হোৎনগনি।

ঙসিগী মন্ত্রিগী খোংচৎ অদুদা বিভাগ অসিগী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি শ্রী দব্লিউ.এল. হঙসিং অমসুং চিফ ইঞ্জিনিয়ার শ্রী ঐচ. সুনিলসু লোইনখি।

<><><>

**ওকেন (এল) ঃ** রাজ্যগী সিক্ষা মন্ত্রি শ্রী এম. ওকেন্দ্রোনা হায়খ্রে- মনিপুরগী স্কুলশিংদা ওঝা ওইরিবশিংগী ত্রান্সফর পোলিসি অমা শেমবা সরকারনা হোৎনরি। থৌশিল অসি একাদেমিক সেসন অমগী মনুংদা অমুক্তমক পাংথোক্কনি, মদুসু চহীগী পরিক্ষা লোয়রবা মতুংদা শিনগনি।

সিক্ষা বিভাগনা শিন্দুনা ইম্ফালগী পেলেস গেটতা লৈবা এম.এফ.দি.সি কমপ্লেক্সতা ঙসি পাংথোকখিবা থোরম অমদা শ্রী ওকেন্দ্রোনা হায়খি- শিক্ষা বিভাগকী মখাদা লৈবা কর্ম্মচারিশিংগী লিষ্ট থা অমগী মনুংদা শেন্বা লোয়শিন্নবা হোৎনগনি। মহাকা হায়- মনিপুরগী মরুওইবা স্কুল খরা খনগৎলগা রেসিদেনসিয়েল মোডেল স্কুল ওন্থোকবা থৌরাং তৌরি।

থৌরমদুদা, প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি এদুকেসন এস- ডা: জে. সুরেস বাবুনা হায়- মনিপুরদা শিক্ষাগী মায়োল অসি হেন্না ফবা ফিভম অমদা পুখৎলকপগী তঙাইফদবা লৈ। মহাকা হায়খি- কেন্দ্র অমসুং রাজ্য সরকারনা শিক্ষাগী লমদা পায়খৎলীবা স্কিমশিং নিংথিনা মায় পাকহন্নবা হোৎনবদা মীপুম খুদিংমক্কী থৌদাং লৈ। থৌরমদুদা, শিক্ষা বিভাগকা মরি লৈনবা মকোক থোংবা কয়া শরুক য়াখি।

<><><>

**নোংলৈ (এল) ঃ** ঙসি নুমিৎয়ুংবা অদুৱাইদা মনিপুর তম্পাক্কী মফম কয়াদা নোং য়াওনা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ শিৎপদগী অমাং-অতা কয়া থোক্লে।

ইম্ফাল ইষ্টকী তখেলদা নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা য়ুম-কৈ কয়া হুমদোকখ্রে হায়রি। ইম্ফাল ৱেষ্টকী কাঞ্চিপুর অমসুং মসিগী অকোয়বদা নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা উ-ৱা, ইলেক্ট্রিক পোষ্ট অমদি লম্বীগী নাকলদা থেৎপা সাইন বোর্দনচিংবা হুমদোক্তুনা অমাং-অতা থোকহনখি। অদুমওইনমক মীশি-মীনা অমদি শা-ষণ শিবগী পাউদি লৈতে।

<><><>

**ষ্টেট এৱার্দ (এল) ঃ** রাজ্যগী স্কুল সিক্ষা বিভাগনা সহিত্যগী লমদা পিবা ইং শক ২০১১ গী মনিপুর ষ্টেট এৱার্দ ফোর লিটরেচর, লৈখিদ্রবা শকাইরবা অইবা নোংথোম্বম বিরেনদা পিরগনি। চৎলোইকো ঐ মফম কদায়দসু হায়বা মহাক্কী শৈরেং লাইরিক্তা মনা অসি পিবনি।

<><><>

**দে (এল) ঃ** ৪৪ শুবা ৱার্ল্ড টেলিকম্যুনিকেসন এন্দ ইনফোর্মেসন সোসাইতি দে- ঙসি মালেমগী মফম শিনবা থুংনা পাংথোক্লি।

মনিপুরদসু ইনষ্টিট্যুসন ওফ ইলেক্ট্রোনিক্স এন্দ টেলিকম্যুনিকেসন ইনঞ্জিনিয়ার (আই.ঈ.টি.ঈ), ইম্ফালনা শিন্দুনা অকাম্পাৎতা লৈবা দ্যুয়েক সেন্তরদা পাংথোকখি।

ইন্তরনেসনেল টেলিকম্যুনিকেসন য়ুনিয়ন (আই.টি.য়ু)গী সেক্রেটরি জেনরেল ডা: হমাদোন আই. তুর অমসুং য়ুনাইতেদ নেসন্সকী সেক্রেটরি জেনরেল শ্রী বান-কি-মুননা নুমিৎ অসিগা মরি লৈননা পিবা ৱারোলশিং পাথোকপা অমসুং অখণ্ড-অহে কয়ানা ৱা ঙাংবনা পালন থৌরম অসিগী মপুংওইবা শক্তম ওইখি। থৌরম অদুগা মরি লৈননা ৱা ঙাংবদা দ্যুয়েক সেন্তর ইম্ফালগী সাইন্তিস-ঈ অমসুং আই.ঈ.টি.ঈ, ইম্ফাল সেন্তরগী চিয়ারমেন নমৈরাকপম দেবচন্দ্র সিংহনা হায়- খোংজেল য়াংনা চাওখৎলক্লিবা টেলিকম্যুনিকেসন অমসুং ইনফোর্মেসন টেকে ালোজিগী মরমদা মীয়াম্বু হেন্না ভাব তাহন্নবগী পান্দমদা পালন থৌরম অসি পাংথোকপনি।

মহাকা হায়- পালন নুমিৎ অসিগী কুমশি চহীগী থিমদি- নুপীশিংবু ইনফোর্মেসন কম্যুনিকেসন টেকে ালোজিগী

মরমদা হেন্না খংহনবা হায়বসিনি। ইনফোর্মেসন কম্যুনিকেসন টেকোলোজিবু লান্না শিজিন্নবদা নোংনাংবা ফোংদোক্লদুনা শ্রী দেবচন্দ্রনা হায়- মীওইবা খুনাইবু হেন্না চাওখৎহন্নবগীদমক পুথোরক্লিবা অনৌবা টেকে ালোজিশিং অসি লান্না শিজিন্নরোইদবনি। কনাগুম্বশিংনা মসিবু লান্না শিজিন্নরবদি মদুবু থিগৎতুনা ফাবা ঙম্বগী টেকোলোজিসু লৈ।

<><><>

**এক্ট ঃ** সেদ্যুল কাষ্ট অমসুং সেদ্যুল ট্রাইব প্রিভেন্সন ওফ এট্রোসিতিজ এক্ট শেমদোকবগী থবক হৌজিক সরকারনা পায়খৎলি।

রাজ্য সভাদা তোঙান তোঙানবা ৱাহংশিংগী পাউখুম পিরদুনা সোসিয়েল জষ্টিস এন্দ এমপৱারমেন্ট মন্ত্রি শ্রী মুকুল ৱাসনিকনা হায়- রাজ্য খুদিংমক্তা হিরমসিগা মরি লৈনবা দ্রাফশিং য়েন্থোকখ্রে। মহাকা হায়খি- হিরম অসিগী মতাংদা রাজ্য ৬ লোমগী পাউখুম মন্ত্রালয় অসিনা ঙাইরি। ইজৎ লৈনা হিংবা হায়বসি লৈবাক অসিগী নাগরিক খুদিংমক্কী হকনি হায়রদুনা সেদ্যুল কাষ্ট অমসুং সেদ্যুল ট্রাইবশিংগী পুন্সি ঙাকশেলবগী তঙাইফদবা অদু কেন্দ্রদা চপ-চানা ফাওই হায়না মন্ত্রিনা হায়খি।

মহাকা হায়খি- অৱা অনা তারবশিংগীদমক তেংবাং পিবা অমসুং খুন্দা লৈতাহন্নবা শেলগী তেংবাং হান্নদগী চাদা ১৫০ হেনগৎলে। মহাকা হায়খি- মখোয়দা আইনগী ওইবা তেংবাংসু পিরি। মন্ত্রিনা হায়খি- এক্ট অসিদা য়াওরিবা প্রোভিজনশিং থবক্তা ওনথোকবা মহাক্কী মন্ত্রালয়না রাজ্যশিংদা খংহনখ্রে।

<><><>

**এয়র ইন্দিয়া ঃ** সিভিল এভিএসন মন্ত্রি শ্রী অজিৎ সিংহনা ঙসি হায়খে- কর্ম্মচারিশিংগা মরি লৈনবা, পন্দুনা লৈরিবা ৱাফম পুমমক খংদোকবা মথং চয়োলদা এয়র ইন্দিয়গী শকখংলবা ট্রেট য়ুনিয়ন খুদিংমক্কা মীতিন অমা পাংথোকবা সরকারনা ৱারেপ লৌরে।

সংসদকী মপালদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা শ্রী অজিৎ সিংহনা হায়খি- মীতিন অদুদা খন্নগদবা লুপা কোতি লিশিং ৩০ গী তর্ন এরাউন্দ প্লান্ট অমা মন্ত্রালয়না য়ারে। মহাকা হায়খি- কর্ম্মচারিশিংগী প্রমোসনগা মরি লৈনবা ৱাফমশিংসু মীতিন অদুদা খন্নগনি।

পাইলোট ২০০ হেনবগী এয়র ইন্দিয়া ষ্ট্রাইক অদু ঙসিগা থানা নুমিৎ ১০ নি শুরে। হৌজিক চথরিবা ষ্ট্রাইক অসিনা লৈবাক মনুং অমসুং মপালদা পায়বা ফ্লাইট কয়ামরুম পায়বা লেপখ্রে। মসিনা মরম ওইদুনা পেসেঞ্জর লিশিং কয়া এয়রপোর্টশিংদা পন্দুনা লৈরে।

<><><>

**ছর্স ঃ** তামিলনাদুগী হান্নগী মন্ত্রি শ্রী ভিরাপান্দি অরুমুগমগী তোঙান তোঙানবা মফম ১৬ তা ঙসি দাইরেক্তোরেট ওফ ভিজিলেন্স এন্দ এন্তি করপসননা থি-হুন্নবগী থবক চথখ্রে।

শ্রী ভিরাপান্দিগী মীংদা অমসুং মহাক্কী ইমুং মনুংগী মীওইশিংগী মীংদা সনা লুপা, লৌ-ইংখোল য়ামা লেপশিল্লে হায়বা অককবা পাউ অমা ফংবদগী চেনাই, সালেম অমসুং ধর্ম্মপুরিদা লৈবা মহাক্কী য়ুমশিংদা থি-হুন্নবগী থবক অদু চথখিবনি। চেনাইদা থোকপা চেরোল অমদা দাইরেক্তোরেট অসিনা হায়- থিজিন হুমজিনবগী তঙাইফদবা শরুক অমা ওইনা থবক অদু পায়খৎখিবনি।

ইং শক ২০০৬ তগী ২০১১ ফাওবা দি.এম.কে. শাসন পায়খিবা মতম অদুদা শ্রী ভিরাপান্দি অরুমুগম লৌউ-শিংউ মন্ত্রি ওইরম্মী । মহাক হান্না ফারুরে । অদুবু তুংদা বেলদা থাদোকখিবনি।

এ.আই.এ. দি.এম.কেনা শক্তি পাইরকপদগী দি.এম.কেগী লুচিংবশিংগী মরক্তা তোঙান তোঙানবা কেসশিংগা মরি লৈননা থিগৎলকলি।

<><><>

**ইন্দো পার্ক ঃ** ভারত অমসুং পাকিস্তানগী হোম সেক্রেটরিগী থাক্তা ইসলামাবাদতা থা অসিগী ২৪ দা ৱারি শান্নগদৌরিবা অদুগী মাংওইননা কেন্দ্রগী হোম সেক্রেটরি শ্রী আর.কে. সিংহনা ঙসি জম্মু দিভিজনগী পুঞ্চ জিলাদা লৈবা ক্রোস এল.ও.সিদা চত্তুনা ঙমখৈ লান্না লল্লোন ইতিক তৌবা মীওইশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং হকথেংননা য়েংশিনখ্রে।

ত্রেদ রুট অদুদা ঙাকশেলগী থৌরাং লৌখৎনবা মহাকা মকোক থোংবা সেক্যুরিতি ওফিসিয়েলশিংগসু মীতিন পাংথোকখি। শ্রী আর.কে. সিংহনা লল্লোন ইতিক তৌবা মীওইশিং অদুদা হায়খি- হিরম অসিগী মতাংদা পাকিস্তানগী হোম সেক্রেটরিগসু মহাক্কা ৱারি শান্নবা মতমদা খন্নগনি। তুংদা পুঞ্চকী ইন্মিগ্রেসন সেন্তর চাকানদবাগতা পাউমীশিংগা ৱারি শান্নবদা মহাকা হায়খি- ভারতনা পাকিস্তানগা লল্লোন ইতিক্কী মরি ফগৎহনবা পান্মী।

<><><>

**আফগনিস্তান ঃ** নোংচুপ থংবা আফগানিস্তানগী ফারা প্রোভিন্সতা লৈবা গভর্নরসকী ওফিস কম্পাউন্দদা ঙসি অয়ুক মশা শিজরগা চথখিবা বোম পোকখায়বগী থৌদোক মরিদা য়ামদ্রবদা মীওই ৭ শিরে।

প্রোভিনসিয়েল ওফিসিয়েলনা হায়- পোকখায়নবা মচাক ওতোমেতিক নোংমৈ, রোকেট অমসুং গ্রেনেদনচিংবা নিংথিনা পায়রবা মীওইশিং অদুনা কমপ্লেক্স অদুদা চংলক্লগা মথং-মথং ওইনা ওফিস বিল্ডিংগী গেটতা বোম পোকখায়হনখি। মখোয়না পুলিসতসু মথোং মরম খংদনা নোংমৈ কাপশিনখি। পুলিসনা হন্দুনা নোংমৈ কাপ্পদা হিংশাগী থবক অদুদা চেন্নবা মীওই অহুম শিখি। থৌদোক অদুদা পুলিসকী মীওই ৬ অমসুং মীচম অমা শিখি।

<><><>